নবেম্বর ৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখলদা মীরেপ ৮না লম্বা পানগদৌরি

কোহিমা, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী): নবেম্বর ৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা নাগালেন্দগী মরক্কী মীখলদা মীরেপ ৮না লম্বা পানগদৌরি। সাউদর্ন অঙ্গামি কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপ ৩ অমসুং ফুংরো-কিফিরে কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপ ৫ লম্বা পারগনি।

কোহিমাদা জখামাগী এস দি ওসু ওইরিবা রিটর্নিং ওফিসর আর নোদিনা স্ক্রুটিনি তৌবদা সাউদর্ন অঙ্গামিগী মীরেপ ৩মক্কী মীরেপচে ভেলিদ ওইরে হায়না লাউথোকখি। কনষ্টিট্যুএন্সি অসিদা মীরেপ ওইগদৌরিবা মীওইশিং অদুদি, নেসনেলিষ্ট দেম্মক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টিগী মেদো য়োখা, নাগা পিপলস ফ্রন্টকী কিকোভি কির্হা অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ এস পিটর জাসুমোনি।

মীখলগী জেনরেল ওবজার্ভর ওইরিবা এস কে প্রধান, হোম দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী এজেন্ট পুম্নমক য়াওনা মীরেপচেশিং স্ক্রুটিনি তৌখিবনি। পুংরো-কিফিরে কনষ্টিট্যুএন্সিগী ওইনসু মীরেপ পুম্নমক্কী নোমিনেসন অয়াবা পীখি। মীরেপ ওইবদা অয়াবা পীখ্রবা মীওইশিং অদুদি, কোংগ্রেসকী খাসিও অনার, বি জে পিগী লিরিমোং সংতম, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ এস লিয়ুসুমিও য়িমচুঙ্গর, এল দুকোংলে, কে এস য়িমচুঙ্গর অমসুং টি ৱাই সংতমনি। অরোইবা মীকুপতা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ এল দুংকোংলেনা মীরেপচে লৌথোকখিবা মরম্না কনষ্টিট্যুএন্সি অসিদা মীরেপ ৫না লম্বা পানরগনি।

নাগালেন্দ লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ওইরম্বা দিখো য়োসুনা দিসেম্বর ৩০দা অরোইবা য়াহিপ তানখিবদগী সাউদর্ন অঙ্গামি কনষ্টিট্যুএন্সিগী সিট হাংদুনা লৈরকখিবনি। পুংরো-কিফিরে কনষ্টিট্যুএন্সিদনা এন পি এফকী লেজিসলেটর টি টোরেসু লৈখিদবা মরম্না সিট হাংদুনা লৈরকখি। ষ্টেট লৈঙাক পায়বদা এন দি পি পিগা চৎমিন্নরিবা বি জে পিগী ওইনদি সাউদর্ন অঙ্গামি কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপ অমত্তা থাদোক্ত্রে। পুংরো-কিফিরে কনষ্টিট্যুএন্সিদনা এন দি পি পিগী মীরেপ থাদোক্ত্রে।

অমরোমদা, মমাঙগী লোক সভা মীখলদা এন পি এফকা চৎমিন্নখিবা কোংগ্রেসনা সাউদর্ন অঙ্গামি কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপ থাদোক্ত্রে। এন পি এফকী ওইনদি পুংরো-কিফিরে কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপ থাদোক্ত্রে। পুন্না সিট ৬০ লৈবা নাগালেন্দ লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী এন দি পি পিগী মেম্বর ১৯, বি জে পিগী ১২, এন পি এফকী ২৬, নেসনল পিপলস পার্টিগী ২ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমা লৈরি।

অসামদা মহৈরোয় পুম্নমক বেঙ্ক একাউন্ট হাংবা মথৌ তারে

গুৱাহাতি, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী): অসামদা লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙশিংদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় পুম্নমক বেঙ্ক একাউন্ট হাংবা মথৌ তারগনি। ক্লাস ৱানদগীনা টুয়েল্ভ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা ষ্টেট লৈঙাক্না দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর (দি বি টি)গী খুত্থাংদা খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা এক্সোম সর্ব সিক্ষা অভিয়ান মিসনগী ওফিসনা দিষ্ট্রিক্ট এদ্যুকেসন ওথোরিটিশিংদা খঙহনখ্রে। স্পেসল ট্রেনিং সেন্টর, রেসিদেন্সিএল স্কুল, কে জি বি ভি অমদি মোদেল স্কুলশিংদা ক্লাস ৱানদগীনা টুয়েল্ভ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয় পুম্নমক খুদক্তা বেঙ্ক একাউন্ট হাংদোকপা মথৌ তারগনি।

নবেম্বর ৩০ ফাওবদা মায় পাক্লা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসিগী মখাদা ষ্টেট লৈঙাক্না মহৈরোয়শিংদা থা খূদিংগী শেল পীরগনি। মহৈরোয়শিংনা বেঙ্ক একাউন্ট হাংবদা শেল অমত্তা চঙলোই। ক্লাস টেনগী মখাদা লৈবা মহৈরোয়শিংনা মমা নৎত্রগা মপাগা পুন্না জোইন্ট একাউন্ট হাংগদবনি। ক্লাস এলেবেন অমসুং টুয়েল্ভকী মহৈরোয়শিংদি মশাগী ওইজবা একাউন্ট হাংবা য়াগনি হায়না সমগ্রা সিক্ষাগী এম দি কল্যান চক্রবর্তিনা ফোঙদোকখি।

লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা চাউনা কান্নবা ফংহনগদৌরিবা থৌরাং অসিগী মতাংদা মথৌ তাবা থবক থৌরম পুম্নমক খুদক্তা লৌখৎনবা ইন্সপেক্টর ওফ স্কুল অমদি দিষ্ট্রিক্ট ইলিমেন্টরি এদ্যুকেসন ওফিসর পুম্নমক্তা খঙহনখ্রে হায়রি। অসামদা তোঙান তোঙানবা প্রাইভেট স্কুল কয়া লিংখৎলকপগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মহৈ তম্ফম লোয়শঙশিং শিথরকপদগী থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

অসাম জাতিয়া পরিষদনা এসেমব্লীগী মীখলদা ওটোনোমস ষ্টেট দিমান্দ কম্মিটিগা চৎমিন্নরগনি

অসম জাতীয় পৰিষদ
ASSAM JATIYA PARISHAD
'ASSAM FIRST, ALWAYS AND EVER'

গুৱাহাতি, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী): নৌনা লিংখৎখিবা অসাম জাতিয়া পরিষদ (এ জে পি)না এসেমব্লীগী মীখলদা ওটোনোমস ষ্টেট দিমান্দ কম্মিটি (এ এস দি সী)গা পুন্না চৎমিন্ননবা ফিরেপ লৌখ্রে।

রিজনল পার্টিশিং খুৎশম্নরগা মীখলদা মায় পাকহন্নবগী পান্দমদা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি। থৌরাং অসিগী মখাদা এ এস দি সীনা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি মঙা-হাওরাঘাট, বোকাজান, দিফু, বাইথালাংসো অমসুং হাফলোং এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা এ জে পিগী মতেং লৌরগা মীরেপ থাদোক্লগনি। পার্টি অনীগী লুচিংবশিংনা অম্বারিদা লৈবা এ জে পিগী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা এ এস দি সীগী প্রসিদেন্ট চন্দ্রকান্ত তেরাংনা হায়খি, মদুদি লাক্কদৌরিবা এসেমব্লীগী মীখলদা রিজনল পার্টি অনী খুৎশম্নুনা চৎমিন্ননবা ৱারেপ লৌরে। কার্বি অংলোং অমসুং দিমা হসাউ রিজনদা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিবু মায়থীবা পীনবগী পান্দমদা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। অসামদা নেসনল পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক মীখলদা মায়থীবা পীনবা হোৎনরগনি হায়নসু এ এস দি সীগী প্রসিদেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, নৌনা লিংখৎপদা ঙাইরিবা এ জে পিগা খুৎশম্নদুনা অসামি মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলগনি। কার্বি অংলোং রিজনদা লৈরিবা কার্বি ফুরুপ নত্তবা অতৈ মীওইশিংগী রাইট মপুং ফানা ফংহন্নবা হোৎনরগনি।

পাউজী মীফম অদুদা এ জে পিগী কোওর্দিনেটর অদিপ ফুকাননা হায়খি, মদুদি এ জে পি অমসুং এ এস দি সীনা মতুং তারকপদা লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা অরোইবা পোরম অমা য়াৎলগনি। অসামগী ট্রাইবেল পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্না খুৎশম্নদুনা রিজনল পার্টিশিংগী ওইবা গ্রান্দ এল্লাইয়েন্স অমসু শেম্লগনি।

ঙমখৈগী মতাংদা অমিট শাহগা উনখ্রে

গুৱাহাতি, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী): অসাম অমদি মিজোরামগী লোন্নবা ঙমখৈদা খুৎ থোক্লরকপগী মতাংদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ উনদুনা ৱারী শানখ্রে।

ঙমখৈগী চয়েৎনবা কোকহন্নবগী মতাংদা সোনোৱালনা ঙরাং প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস (পি এম ও)গসু টেলিফোন্দা ৱারী শানখ্রবনি। য়ুম্লোন্নবা ষ্টেট অনীগী ঙমখৈদা খুৎ থোক্লরকপগী মতাংদা সোনোৱালনা মিজোরামগী মহাক্কা ফম মান্নবা জোরাম থাঙ্গাগা ৱারী শানদুনা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা খন্ন-নৈনখি।

সোনোৱালনা হায়খি, মদুদি মতম কয়াগী মমাঙদগী ঙমখৈদা য়েৎনদুনা লাক্লিবসি মতম পুম্নগী ওইনা ৱারোইশিন পুরক্লবা নাকল অনীমক্কী মীহুৎশিং য়াওবা বাউন্দরি কম্মিসন অমা শেম্বা মথৌ তাই। ইন্টর ষ্টেট বোর্দরদা ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিনহন্দুনা ঙমখৈদা খুন্দারিবা মীওইশিং খুদোংথিবা নংহন্দনবা হোৎনফম থোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জোরাম থাঙ্গানা ইন্টর ষ্টেট বোর্দরদা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি হায়না থাজবা পীখি।

পনবা য়াবদি, থাংজ নুমীৎকী নুমীদাংদা অসাম অমসুং মিজোরামগী লোন্নবা ঙমখৈদা নাকল অনী খুৎ থোক্লরকপদগী এক্সাইজ, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর পরিমাল সুক্লবাইদ্যানা ঙরাং মফম অদুদা চৎতুনা ফীভম য়েংশিনবা লৈখ্রবনি।

থাংজনুমীৎকী থৌদোক্তা য়ুম কয়া মৈ থাদোক্তুনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা অসামগী লাইলাইপুর এরিয়াদা চৎতুনা মফম অদুগী মীওইশিংগা ৱারী শানখি। য়ুম কয়ামরুম মৈ থাদোকখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক হৌজিক ঙমখৈদা খুন্দারিবা অসামগী ইমুং কয়ামরুম লৈফম চাফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরে। ঙমখৈদা মখা তানা উংখৎনবা য়াবগী ফীভম লাকপদগী সোনোৱালনা ঙসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা ৱারী শানখিবনি হায়রি।

অগরতলাদা ট্রান্সপোর্ট ষ্ট্রাইকনা মরম ওইরগা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকহনখ্রে

অগরতলা, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী): ত্রিপুরাগী কোনুং অগরতলাদা ট্রান্সপোর্ট ষ্ট্রাইকনা মরম ওইরগা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকহনখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা ট্রান্সপোর্টেসন সর্ভিস তৌরিবা গাড়ী মপু অমদি ৱর্করশিংনা ঙসি অয়ুক খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। গাড়ীগী অতোংমল হেনগৎহনবীয়ু হায়না তকশিল্লকপগা লোয়ননা অয়াম্বা মতমদা পুলিসনা কাহেনবা থৌওং চথরকপগী মায়োক্তা গাড়ী মপুশিংনা ঙসি অগরতলাদা খোঙজং চঙশিনখি। লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লোকদাউন তৌখিবা মতমদা গাড়ী মপু অমদি গাড়ী ৱাইরগা থৌরিবা মীওইশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি।

হৌজিক হৌজিক অনলোক ৫.০গী থৌরাং লৌখৎতুনা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিং চেনবা য়ারে হায়না লাউথোকখ্রবসু পেসেঞ্জর য়াম্না তোংহনবা য়াদবা মরম্না গাড়ী মপু অমদি গাড়ী থৌরিবা মীওইশিংনা শেল য়াম্না তানবা ঙমদ্রি। গাড়ী মপুশিংনা হায়খি, মদুদি পেসেঞ্জর চাদা ৫০ তোংহল্লগা সর্ভিস তৌবা মরম্না নুমীৎ খূদিংগী শেল মাঙবগী ফীভমদা লৈরে।

কনাগুম্বা দ্রাইভর অমনা অহেনবা পেসেঞ্জর ২/৩ তোংহল্লুবা মতমদা পুলিসনা ফারগা য়াল্লবা শেনফম ফাইন ওইনা লৌরি। পুম্নমক অসিগী য়েংলগা লৈঙাক্না গাড়ীগী অতোংমল হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না গাড়ী মপুশিংগী এসোসিএসন্না তকশিনখি।

লোকদাউন তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা ওইরম্বা ফীভম অদুগা য়েংনবদা হৌজিক হৌজিক গাড়ী মপু অমদি দ্রাইভরশিংনা শেল ফংবগী চাং চাদা ৫০ রোম হন্থরে। পেসেঞ্জর মশিং য়াম্না তোংহনবা য়াদ্রবনিনা অতোংমল হেনগৎহন্দ্রবদি দ্রাইভর অমসুং গাড়ী মপুশিংনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপা য়াই হায়রি।

শক্লাইরবা ইকনমিক্স ডা. জয়ন্তমাধব লৈখিদ্রে

গুৱাহাতি, ওক্টোবর ১৯ (এজেন্সী): অসামগী শক্লাইরবা কলমনিষ্ট ডা. জয়ন্ত মাধব মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা হৌখিবা অহিংদা অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে।

মশাগী চহী ৯১ শুখ্রবা মীওই অসি হার্টকী লায়না লৈবা মরম্না গুৱাহাতিগী লন্নাই হোস্পিটাল অমদা লায়েংদুনা লাকখিবনি। ওক্টোবর ৫দা হকচাংগী ফীভম লুশিল্লকপদগী মহাকপু জি এন আর সী হোস্পিটালদা পুখৎখি। ফীভম খরা লুশিল্লকপদগী হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা মহাকপু এপোলো হোস্পিটালদা অমুক পুখৎখি। জোর্হাটকী জে বি কোলেজদা ইকনমিক্স ওনর্স লোইশিনখিবা ডা. মাধবনা গৌহাতি য়ুনিভর্সিটিদা এম এ তমখি। লন্দন স্কুল ওফ ইকনমিক্সতগী ফাইনান্সিএল মেনেজমেন্টতা ডোক্টরেট দিগ্রী ফংলবা মতুংদা কলকাটা মেট্রোপোলিটান দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন রেসনদা ফাইনান্সিএল এদভাইজর ওইনা থৌপুদুনা লাকখিবনি।

CROSSWORD-3595



ACROSS
- 1 Clergyman's gown (7)
- 5 Spacious (5)
- 8 Male duck (5)
- 9 Type of biscuit (4,3)
- 10 Live together in harmony (7)
- 11 Unadorned (5)
- 12 Foliage (6)
- 14 Din (6)
- 18 'The final frontier' (5)
- 20 Japanese art of paper folding (7)
- 22 Traditional saying (7)
- 23 Close-fitting (5)
- 24 Hazardous (5)
- 25 Odd (7)

DOWN
- 1 Supplement to a will (7)
- 2 Digging tool (5)
- 3 Former (3-4)
- 4 Martial art (6)
- 5 Sum up (5)
- 6 Remote parts of Australia (7)
- 7 Long, pine (5)
- 13 Nonplussed (2,1,4)
- 15 Airman (7)
- 16 Scottish emblem (7)
- 17 Misgivings (6)
- 18 Wonderful (5)
- 19 Adversary (5)
- 21 Inert gas (5)

Solution 3594

T	O	P	H	A	T		P	E	R	S	I	A
H		A		G				N		P		B
E	R	R	O	R		B	A	R	R	I	E	R
N		S		E		Y		O		N		U
C	O	N	K	E	R	S		U	S	E	U	P
E		I				T		T				T
		P	E	R	M	A	N	E	N	T		
S				E		N				I		I
C	L	A	S	S		D	E	C	A	G	O	N
A		T		O		E		H		R		S
R	U	S	T	L	E	R		I	D	E	S	T
E		E		V				C		S		E
D	E	A	R	E	R		G	O	S	S	I	P

SOLUTION ON NEXT ISSUE

ষ্টেটকী পাউ

তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : পিপল্স টাক্স ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯, ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন অমদি এসোসিয়েসন ওফ হেল্থ ক্যের ওফ ইন্দিয়ানা পুন্না কোভিদ-১৯গী মতাংদা খুল-লৈকায়দা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী কমদৌনা কনমিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা লেপ্পুনা পাঙথোরকপা এৱ্যারনেসকী থৌরম ঙসিসু ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে হায়না পি টি এফ সী-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইনচার্জ মোইরাংথেম অঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ঙসি পুখাউ নহারুপ অৱাং লৈকায় মৈরা শঙলেনদা রুরেল দিভলপমেন্ট য়ুথ ক্লব পুখাউগা পুন্না এৱ্যারনেসকী থৌরম পাঙথোকখি। লোয়ননা ইরৈমা কম্যুনিটি হোল পুখাউ খাবমদসু ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটি পুখাউ খাবমগা পুন্না খুৎশম্নদুনা এৱ্যারনেসকী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা পি টি এফ সী-১৯গী কনভিনর বি কে মোইরাংচা, কো-কনভিনর এন বিমোল, আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি আর কে নিমাই, আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্টকী চেয়রমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বা, এ ঐচ পি আইগী সেক্রেটরি দা. জেমস এলাংবম, পুখাউ নহারুপ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী এদভাইজর কে তোম্বি অমদি ভিলেজর পুখাউ খাবমগী থৌনাওজম থোইবানা রিছোর্স পার্সন অমদি প্রসিদিয়ম ওইনা শরুক য়াখি।

লোয়ননা ৱাখা য়ুথ ক্লবনা শিন্দুনা ৱাখা কম্যুনিটি হোলদা মীয়াম পুন্না লায়না-লাইচৎ অসিগী মতাংদা খঙমিন্নবগী এৱ্যারনেসকী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱাখাগী হান্নগী মেম্বর নাওরেম বিনো লৈমা, পি টি এফ সী-১৯গী কো-কনভিনর, আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি, আই আর সী এস ইম্ফাল ইষ্টকী চেয়রমেননা ৱাঙাঙলোই ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা পি টি এফ সী-১৯গী কো-কনভিনর সোরাইশম সঞ্জিৎনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী মতাংদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অমদি মসিদগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লাক্কদৌরিবা নবেম্বর ৭তা এ সী ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই ইলেক্সনগী মীয়ামগী মীফমশিংদা চাকচা-হৈজান্নবগী থৌরমদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলগা এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা ক্লবশিংনা মী কা হেন্না তিন্দনবা অমদি লায়না-লাইচৎ অসি হেন্না শন্দোরক্তনবগীদমক চেকশিন থৌরাং লৌখৎমিন্নসি হায়নসু আপিল তৌখি।

পি টি এফ সী-১৯গী ভলন্টিয়রশিংনা উরিপোক, রিমস রোদ, নাগা মপাল, থাংমৈবন্দ, শগোলবন্দ অমদি কৈশামপাৎতা এস ও পি ঙাক্তনা পোৎ য়োনবা, লৈনবা অমদি লায়না-লাইচৎ অসিগী মতাংদা মীয়াম্না তঙাইফদবা চৎনকাংলোনশিং ঙাক্লবা এৱ্যারনেসসু পীখি। পি টি এফ সী-১৯না মখা তানা খুল-লৈকায় অমদি মীয়াম তিনবা মফমশিংদা এৱ্যারনেস পীবগী থবক মখা তানা চৎথখিগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

দত্তা আয়ুর্বেদিক ক্লিনিক
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6440/07/10-05/11

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3394

					6			
			7	3			2	
1	7	5						
4	1		8				5	9
		8	5		7	2		
7	5				3		1	6
						6	9	5
	6			4	1			
			6					

Solution-3393

Fill in the empty fields with the numbers
from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

8	5	6	7	2	4	3	9	1
1	3	4	6	5	9	2	7	8
9	7	2	1	8	3	6	5	4
5	8	1	3	9	6	4	2	7
3	6	7	2	4	1	9	8	5
4	2	9	5	7	8	1	6	3
7	9	8	4	1	2	5	3	6
6	1	5	9	3	7	8	4	2
2	4	3	8	6	5	7	1	9

কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবশিংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এ সীগী মনুংচন্না লৈবা সেক্তা অৱাং লৈকায়দা মীওই অমা অমদি সেক্তা মখা লৈকায়দা মীওই ৮ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবদগী য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদনা ৱানা লৈরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা সোসল ৱার্কর অমদি বি জে পি ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর খোংবানতাবম ইবোমচা অমদি পুংদোংবম সেক্তা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ইরুংবম সুন্দরিগী মপুরোইবা ইরুংবম প্রেমগা খুৎশম্নরগা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে। তেংবাং পীবগী থৌরম অদুদা সেক্তা মখা লৈকায় কোভিদ-১৯ টাক্স ফোর্সতা শেলগী মতেংসু পাংখি হায়রি।

এম এম দব্লিয়ু ওগী ঙারিয়ান ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও)বু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা এম এম দব্লিয়ু ও হেদ ক্বাটরগী এদভাইজর মুফটি সালাটুরগী লুচিং মখাদা ঙারিয়ান স্পোর্টিং ক্লব অমদি ওল ঙারিয়ান দিভলপমেন্ট কম্মিটি অনীগী থৌমিশিংগা খুৎশম্নদুনা এম এম দব্লিয়ু ও ঙারিয়ান ব্রাঞ্চ অমা হাংদোকখ্রে হায়না এম এম দব্লিয়ু ওগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন বি এম অবির খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এম এম দব্লিয়ু ও ঙারিয়ান ব্রাঞ্চকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ১৫না শাবা কম্মিটি অমা শেম্বগা লোয়ননা থৌপুনবগীদমক মীওই ৯না শাবা ওফিস বেরিয়রসু খনখি। এম কে ইশাখ, প্রসিদেন্ট; এম কে অবদুল সলাম, ভি পি; অমির চেসাবা, সেক্রেটরি জেনরেল; ইলিয়াস চেসাবা, জইন্ট সেক্রেটরি; ইমরান শিংঙামযুম, সেক্রেটরি ফন্দ মোবিলাইজেসন; ননাও খুল্লাকপম, সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন; মোইনাম অমিরা বেগম, সেক্রেটরি ঐচ আর দি; মোইনাম ইমরান, সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন অমদি দৌলট খুল্লাকপম, সেক্রেটরি গেম এন্দ স্পোর্টস ওইরগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মণিপুর ঠিএটরগী নুমীৎ পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : ঠিএটর সেন্টর মণিপুরনা শিন্দুনা লাক্লিবা থা অসিগী ২১দা য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নদা মণিপুর ঠিএটর দেগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়রি। থৌরম অসিদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর ঙাঙোম উট্টমনা অথোইবা মিথুং, হেল্থ সর্ভিস মণিপুরগী মীদিয়া এদভাইজর অমদি নহারোলগী থৌদাংগী এদিটর খোইরোম লোয়ালাকপানা অখন্নবা মীথুং অমদি ঠিএটর সেন্টর মণিপুরগী প্রসিদেন্ট পদ্মশ্রি এৱার্দি নবা ৱারেপ্পানা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াগনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা থিয়টর সেন্টর এৱার্দ ২০২০গী মনা-মথুমসু লাম্থোক্কনি হায়রি।



লময়ানবা ইরাবত
ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম


মনেগী ময়ূমদা চঙম্ৱরোই খল্লিঙৈদা মতাঙ মাইবম শমদেন্না মাগী ময়ুদা পুখিরম্মী।
ইতাও ঐগী য়ুমদা লৈরুরসি লাও
মাইবম শমদেনগা লোয়ননা দরবার কাবা হৌরম্মী।
দরবারদা ইরাবতকী মমা পুক্লুংদগী য়াওরকপা মগুণ তপ্পা তপ্পা উৎথোকপা হৌরক্লম্মী।